ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯇꯁ

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস







মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা অদুগা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী রোবর্টো বোটিষ্টা অগুটকী মখূৎতা ৪-৬, ২-৬তা মায়থীহৌরবা রসিয়াগী শান্নরোয় দানিল মেদভেদেভ

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা স্পোর্টস মেগাজিন স্পোর্টস ষ্টারনা চহী ১০গী ওইনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোরকপদা খনখ্রবা নুপাগী ওইনা হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী জেবলিন থ্রোদা মকোক ওইরিবা নিরজ চোপ্রা

## মেরি কোমনা স্পোর্টস ষ্টার এসেসনা পীবা স্পোর্টস ৱিমেন ওফ দি দিকেদকী মনা অদু ফংবা ঙমখ্রে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ওইনা মমিং লৈরবা স্পোর্টস মেগাজিন অমা ওইরিবা স্পোর্টস ষ্টারনা পীবা এসেস স্পোর্টস ৱিমেন ওফ দি দিকেদ (ইন্দিভিজ্যুএল ওলিম্পিক স্পোর্টস)কী মনা অদু ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইবা ঙমখ্রবী বোক্সর এম সী মেরি কোমনা ফংখ্রে।

মনা অদু ফংখ্রবা মতুং এম সী মেরি কোমনা ফোঙদোরকখিবদা, জ্যুরি মেম্বরশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হরাউবা ফাওই হায়খি। মনা অসি ফংবা অসিনা মঙোন্দা অচৌবা থৌনা অমা পীবা ঙমখি। লোয়ননা লাক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল অমা লৌবা ঙম্বগী অচৌবা মঙলান অমা লৈরিবা অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মেরি কোমনা মখা তারদুনা চহী ২০ লোম বোক্সিং মশান্না অসিদা মায় ওনশিন্দুনা লাক্লি। নুপীমচা অমা ওইরম্বদগী মপূং মরৈ ফাবা নুপী অমা ওইরক্লবা মতুং মমা অমসু ওইরবকান্দা মশান্না অসিদা মায় ওনশিন্দুনা লৈবা অসি অরায়বা থবক অমা নত্তে। লোয়ননা স্পোর্টসকী দিসিপ্লিন খূদিংমক্তা লৈরিবা শান্নরোয় খূদিংমক্কা লৈবাক অসিগীদমক্তা অচৌবা কথোকপগা লোয়ননা মিংচৎ পুরকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।



নীংশিংবা য়াই, মেরি কোমনা কুমজা ২০১০ এসিয়ন গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংখিবনি। মদুগী মতুং সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোকপা ২০১৪ এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ফংদুনা মহাক্কী পর্ফোর্মেন্স অদু হান্নদগী ফগৎহনবা ঙমখি। মহাক্না এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল ৫ ফংদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না গোল্ড মেদল ফংবা ঙম্বগী রেকোর্দ অদুসু থন্নিবনি। কুমজা ২০১২দা লন্দনদা পাঙথোকপা ওলিম্পিক গেমসতা অহানবা ওইনা নুপীগী বোক্সিং অসিবু মেদল দিসিপ্লিন ওইনা শরুক য়ারকপদা কিলোগ্রাম ৫১গী কেটগোরিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। মসিদসু নৎতনা নুপীগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল ৬ অমদি সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ অমমম্ য়াওনা পূন্না মেদল ৮ ফংবগী খ্বাইদগী মশীং য়াম্না মেদল ফংবা ঙম্বা বোক্সর অদু ওইরিবনি। কুমজা ২০২০দা ইন্দিয়াগী ওইনা সিভিলিয়ন এৱার্দতা খ্বাইদগী থাক ৱাংবদা অনীশুবদা লৈরিবা পদ্ম ভিভুষন মনা পীখ্রবনি। হৌজিক-হৌজিক মহাক মণিপুরদগী রাজ্য সভাগী মেম্বর অমসু ওইরিবনি।

স্পোর্টস ষ্টার এসেস এৱার্দ অসিনা পীবা ক্লবকী খ্বাইদগী ফজবা মনা অদুনা বেঙ্গলুরু এফ সীনা ফংখি। কুমজা ২০১৩দা শেমখিবা বেঙ্গলুরু এফ সীনা তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্ট কয়া অমা মায় পাকপা ঙম্লকপা অমদি মখা তাবা ক্লব অসিগী নহাশিংবু ফজবা অমদি তুংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমা ওইবা ঙম্নবগী হোৎনবগী খোঙজংদসু অচৌবা থৌদাং লৌবগীদমক ইন্দিয়াগী ওইনা ক্লব ওফ দি দিকেদ হায়বা মিংথোল অদু ফংখিবনি। হায়রিবা মনা অদু বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নরোয় অমা ওইরিবা স্পেন মচা দিমাস দেলগাদোনা লৌখি। মহাক্না মনা অসিগীদমক্তা লৈরিবা জ্যুরি মেম্বর অমদি ক্লব অদুগী ষ্টাফ অমসুং মেনেজমেন্টপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## জপানগী নাওমি ওসাকা ক্বার্টর ফাইনেলদা গ্রিসকী মারিয়া সকারিগী মখূৎতা মায়থীবা নংহৌরে



ফ্লোরিদা, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী):

যু এস এগী ফ্লোরিদা ষ্টেটতা লৈবা মিয়ামি গার্দেন্সকী হার্দ রোক ষ্টেদিয়মদা মমাং থাগী ২৩দগী চথরকপা ৩৬লকশুবা মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী জপানগী নাওমি ওসাকা গ্রিসকী মারিয়া সকারিগী মখূৎতা মায়থীবা নংহৌরে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা যু এস দোল্লর ৩,২৬০,১৯০গী শেলগী মনা লৈবা দব্লিয়ু টি এগী মনুং চনবা নুপীগী কাঙলূপ্তা নাওমি ওসাকানা ২৩শুবা সিদেদ ওইরিবী গ্রিসকী মারিয়া সকারিগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদু সকারিগী মায়কৈদগী হীরম খূদিংমক্তা লাকশিনবা ঙম্লকপদগী ওসাকাগী সর্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌরগা মশাগী সর্ভিস গেমশিং অদুনা হোল্ড তৌবা ঙমখিবদগী ৬-০দা সেট অদু থোইরগা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা নাওমি ওসাকাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা গেম ৪ মায় পাকপা ঙমখি। অদুবু মারিয়া সকারিসু অহানবা সেটতা শান্নখিবা মশান্না অদুদগী ইহন হন্দনা শান্নবা ঙমদুনা মরুওইবা তাঙক্তা ওসাকাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা অনীশুবা সেট অদু ৬-৪দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সকারিনা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু স্পেনগী সারা সোরিভস টোর্মোবু মায়থীবা পীরম্বী ৮শুবা সিদেদ কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুনি। এন্দ্রিস্কুনা টোর্মোবু অহানবা সেট অদু ৬-৪দা থোইবা ঙমখি। মদুগী মখা তারকপা অনীশুবা সেটতা টোর্মোনা ৬-৩দা থোইদুনা সেট অমমম্ মান্নদুনা লাকখ্রবা মতুং এন্দ্রিস্কুনা দিসাইদিং সেট অদুদা ৬-৩দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌরকপনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ দানিল মেদভেদেভপু স্পেনগী রোবর্টো বোটিষ্টা অগুটনা ৬-৪, ৬-২দা মায়থীবা পীখি। সেমীফাইনেলদা অগুটনা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু ইটালিগী জানিক সিনরনি।

## চাইনানা বৈজিং ২০২২ ৱিন্টর ওলিম্পিক্স বোইকোট তৌবগী ৱাফমশিং অদুগী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া পায়খৎখ্রে




বৈজিং, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২২দা চাইনাগী কোনুং বৈজিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অদু বোইকোট তৌবগী ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লিবা অদুগী মায়োক্তা চাইনানা তোঙান-তোঙানবা টেষ্ট ইভেন্ট কয়া অমা লোঞ্চ তৌবা হৌখ্রে।

কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী থাদা বৈজিংনা য়ূম্বু ওইরগা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি। অদুবু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী হৌরকফম লৈবাক ওইরিবা চাইনাগী মকোক থোংবা ওলিম্পিক্স অদুগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা, লৈবাক অদুনা ওলিম্পিক্স অদু মায় পাক্না পাঙথোক্লনবা শেম শারিবা অদু য়াম্না চাওবা চেলেঞ্জ অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

ওর্গনাইজরশিংনা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অমসুং পেরালিম্পিককী ওইবা ইভেন্টশিংগী মনুংদা আইস হোক্কী, স্পিদ স্কেটিং, ফিগর স্কেটিং অমসুং কর্লিং ইভেন্টশিংগী ওইবা মফম ৫দা নুমীৎ ১০নিগী ওইবা টেষ্টিং পাঙথোক্কদৌরি।

হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা টেষ্ট তৌফমশিং অদুদা অতোপ্পা লৈবাক্তগী শান্নরোয় অমত্তা চঙলকপা য়াদবা মরম্না শরুক য়াগদৌরিবশিং অদু চাইনাগী শান্নরোয় ঙাক্তা ওইগদৌরি।

মরক অসিদা, ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা থোমাস বেকনা মমাং থাগী ময়াই চনশিল্লকপদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা ওলিম্পিক গেমস অমা বোইকোট তৌবনা করিগুম্বা অমত্তা কান্নবা ফংদে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অসি বোইকোট তৌননবা খোঙজং চঙশিল্লিবা কেম্পেয়্যন্নরশিংনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা গেমস অদু বোইকোট তৌননবা তকশিনবা লৈখি। তোঙান-তোঙানবা রাইটস ওর্গনাইজেসন ২০০না পূনশিনবা লূপ অদুনা বৈজিং ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস ২০২২গী ওফিসল চোক্কলেট অদু পুথোক্লিবা মার্চ রিগ্লি কম্পনিদা মখোয়না সপোর্ট তৌরিবা অদু হন্দোকউ হায়বা ৱাফম থমখি।

মরক অসিদা, চাইনাগী ৱেঘুর মাইনোরিটিশিংগী মথক্তা চাইনা লৈঙাক্না চথরিবা ওৎ-নৈবগী খোঙজংশিং অদুবুসু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা বোইকোট তৌবগী ৱাফম অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংনসু শৌগৎলকপা য়াওরি।

## পটিয়ালা অমসুং বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা ৩০ থেংনরে

পটিয়ালা, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ওইনা পঞ্জাবকী সিটি পটিয়ালা অমসুং কর্নাটাকাগী বেঙ্গলুরুদা লৈরিবা নেসনল সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সতা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফ ৩০ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। অদুবু ওলিম্পিক্কীদমক্তা শেম শারিবা শান্নরোয়শিংদি য়াওখিদ্রে হায়না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সিংগী চীফ কোচ ওইরিবা সী এ কুটাপা অমসুং শোট পুটকী কোচ মোন্দির সিংহ থিলোনসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা অদুদা য়াওই হায়না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পূন্না সেন্টর অনী অসিদা মীওই ৭৪১ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌখিবনি। মীওই ৩৩১না পটিয়ালাগী নেসনল সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সতা তৌখিবনি। অদুগা মীওই ২২৮না বেঙ্গলুরুগী সেন্টরদা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

পটিয়ালাগী সেন্টরদা পূন্না মীওই ২৬ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। অদুগা বেঙ্গলুরুদনা মীওই ৪ পোজিটিভ ওইখিবনি হায়রি। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা ওলিম্পিককীদমক্তা শেম শারিবা এথলিটশিং অসিগী য়েংলগা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনা ওইনা সেন্টরশিং অদুদা লৈরিবা অতোপ্পা শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং অদু আর টি-পি সী আর টেষ্ট তৌখিবনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা ফংখিবা কোভিদ-১৯ টেষ্টকী রিজল্টশিং অদুদা ওলিম্পিককীদমক্তা শেম শারিবা এথলিট অমত্তা য়াওখিদে হায়রি। পটিয়ালাগী সেন্টরদা মীওই ২৬ পোজিটিভ ওইখিবা অদুগী মনুংদা ১৬না শান্নরোয়নি অদুগা লেমহৌবা ১০ অদুনা সপোর্ট ষ্টাফশিংনি হায়রি। শান্নরোয় ১৬ ক্বারন্টিন তৌরিবা অসিদা বোক্সর ১০ অমসুং ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ডগী এথলিট ৬ য়াওরি।

বেঙ্গলুরুগী নেসনল সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সতা মীওই ৪ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখিবশিং অদুগী মনুংদা রেস ৱাকিং ইভেন্টকী কোচ ১ য়াওরি। অদুগা অতোপ্পশিং অদুনা সপোর্ট ষ্টাফশিংনি হায়রি। মফম অদুদা লৈরিবা ৱেটলিফটর খূদিংমক টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইখি।

## এন্টোনিও লোপেজনা মখা তানা কোচ ওইখিগনি

কোলকাটা, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবা এ টি কে মোহন বগানগী কোচ ওইরিবা স্পেন মচা এন্টোনিও লোপেজ হাবাজনা মখা তানা চহী ১ ক্লব অসিগী কোচ ওইনা থৌ পুরগনি হায়না এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, স্পেন মচা এন্টোনিও লেপেজ হবাজনা কোচ ওইনা ক্লব অসিগী থৌদাং লৌরকখিবা অদু চহী ৪ শুরবনি। মহাক্না কোচ ওইরিঙৈদা কুমজা ২০১৪দা অহানবা ওইনা এ টি কে (এটলেটিকো কোলকাটা)না ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। মরক্তা এন্টোনিও লোপেজকা ক্লব অসিগা অমুক লাপথোক্লরুরবা মতুং কুমজা ২০১৯দা মখা তানা সাইন তৌনদুনা কোচ ওইরকপদা অমুক্কা হন্না আই এস এলগী টাইটল লৌবা ঙমখি। হন্দক্তা লোইশিনখিবা আই এস এল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলদা এ টি কে মোহন বগান য়াম্না ফজবা মওংদা টুর্নামেন্ট অদু শরুক য়ারল্লগা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবনি।

পনবা য়াবদি, লীগকী লোইশিল্লকপদা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মথংদা এ টি কে মোহন বগাননা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। এন্টোনিওনা ক্লব অদুবু মঙোন্দা থাজবা থম্বগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

**BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR**

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / **NOTIFICATION**

Imphal, the 31st March, 2021

No. Ex/11/Vol-VII/01: In continuation of this office notification of even number dated 12-03-2021, it is hereby notified for information of all concerned that the online submission of application forms for the H.S.L.C. Examination, 2021 has been extended with a fine of Rs. 200/- per student as follows.

| Sl.No. | Particulars | Last date |
|---|---|---|
| 1. | Submission of application forms for the H.S.L.C. Examination, 2021. | 05-04-2021 |

**Rate of Fees:**

| | | | |
|---|---|---|---|
| (i) | Examination fee- Regular and External | Rs. | 1300/- |
| (ii) | Mark sheet fee | Rs. | 300/- |
| (iii) | Centre fee | Rs. | 600/- |
| (iv) | Late fine fee | Rs. | 200/- |
| | | Total Rs. | 2400/- |

**Practical fee for the following optional subjects:**

(v) Thang-Ta, Eshei Nongmai, Manipuri Jagoi, Fine Arts - Rs. 150/- per student.

N.B. If a candidate fails either in Theory or Practical of Fine Arts, Eshei Nongmai, Thang-Ta and Manipur Jagoi in previous year, then he/she has to appear both in Theory and Practical in the coming examination.

Sd/- **L. Mangi Singh**
Controller of Examinations.

HL-B/6892/2

NIT **NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS**
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021

CLASS X & XII SC. (CBSE) CLASS STARTING - 11th FEB, 2021

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM) STARTING ON - 4th MARCH, 2021


* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.

Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-B/6719/21/1-26/2

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 67**

**GM Svidler, Peter (2769) - GM Anand, Viswanathan (2783)**
**Norway Supreme Masters Blitz 2013 Stavanger NOR, 2013.05.07**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.c4 c5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.g3 g6 | 4.Bg2 Bg7 |
| 5.O-O e6 | 6.e3 Nge7 | 7.d4 cxd4 | 8.Nxd4 O-O |
| 9.Nxc6 bxc6 | 10.c5 f5 | 11.Qc2 Nd5 | 12.Na3 Ba6 |
| 13.Rd1 Rb8 | 14.e4 fxe4 | 15.Bxe4 Rb4 | 16.Kg2 Qf6 |
| 17.f3 Rxb2 | 18.Bxb2 Qxb2 | 19.Qxb2 Bxb2 | 20.Nc2 Bxa1 |
| 21.Rxa1 Rb8 | 22.Nd4 Rb2+ | 23.Kh3 Rd2 | 24.Nb3 Rf2 |
| 25.g4 Bf1+ | 26.Kg3 Rg2+ | 27.Kh4 Rxh2+ | 28.Kg5 Bc4 |
| 29.Na5... | | | |

**QUESTION :**
**Black wins in 3 moves**

**Puzzle 66 Ans. :**

**38.**...Rxe3 **39.**Qxh7+The white queen deflects Black's bishop away from protecting the pawn.Bxh7 **40.**exf7#

**39.**Qxh7+

**ADVANCED COACHING INSTITUTE**

FOUNDATION COURSE FOR VI TO XII 2021

OUR POSITION HOLDERS IN HSLC, CBSE AND COHSEM EXAM — COUNT IF YOU CAN ....................




RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
QUESTIONS ANALYSIS BASE ON PREVIOUS YEARS QUESTIONS OF HSLC, CBSE & COHSEM
TO SCORE HIGH MARK AND EASY TO EXAM PATTERN SYSTEM

TIME (MORNING) 04.30 — 7.50 A.M. & (EVENING) 04.30 — 7.50 P.M.
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS & GIRLS'
★ SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVT. SCHOOL & 90% ABOVE IN X EXAM.

SPECIAL REVISION COURSE FOR 40 DAYS

FOR QUARY : 9862992105

CLASS XII (SC. ARTS & COMMERCE) CBSE & COHSEM — 25th MARCH
CLASS XII (SCIENCE) CBSE & COHSEM — 22ND MARCH
CLASS X (CBSE & BOSEM) — 25th MARCH
CLASS X (CBSE & BOSEM) & XI (SCIENCE ) — 22ND MARCH

★ HALF FEE ON REVISION COURSE OF EX - ACIAN STUDENTS .
★ VAN SERVICE BOTH MORNING AND EVENING
★ FREE FOR RANK STUDENTS IN HSLC EXAM 2021
★ SEATS ARE LIITED FIRST COME FIRST SERVE
ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION OF CLASS 6 TO 9
LOG ON : fb / youtube / google - advanced coaching institute

NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH

HL-B/6807/23/2-25/3